হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, নবেম্বর ১১, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২২৩শুবা মশীং

# গান্ধী ফেমিলিদগী এস পি জি লৌথোকখিবা

## প্রোটোকোলগী ৱাংমদা পোলিটিকেলগী লমন খুম্নবা থৌওং চত্থরবরা

হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা সেন্টরনা গান্ধী ফেমিলিদা পীরম্বা স্পেসল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস পি জি)গী সিক্যুরিটি লৌথোকখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)না অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা সোনিয়া গান্ধী, রাহুল গান্ধী অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রাদা পীরম্বা এস পি জি লৌথোক্লগা জেদ প্লস সিক্যুরিটি পীদুনা সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)তা ঙাক শেলহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী রিপোর্ট মতুং ইন্না গান্ধী ফেমিলিদা হৌজিক অদুক হাক্না খূদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। কুমজা ১৯৯১দা রজিব গান্ধী হাৎখ্রবা মতুংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খূদিংমক্তসু এস পি জিবু ঙাক শেলহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। য়াম্না তোয়না সিক্যুরিটিগী মীটিং পাঙথোক্লগা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংদা পীবা সিক্যুরিটিগী মতাংদা খন্নদুনা লাকখি। হৌখিবা ওগষ্ট থাদসু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহদা পীরম্বা এস পি জি লৌথোক্লগা জেদ প্লস সিক্যুরিটি পীখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম য়েংলগা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা এস পি জিগী প্রোটেক্সন পীদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা কোংগ্রেসকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, মচানুপা রাহুল গান্ধী অমসুং মচানুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধীদগী এস পি জি লৌথোকখিবগী মতাংদা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর অহমদ পটেলনা হায়খি, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না পোলিটিকেলগী লমন খুম্নবগী মওংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অনীদগী এস পি জি প্রোটেক্সন লৌথোক্তুনা ভি আই পি ফেমিলিগী মীওই কয়া খূদোংথিবা নংহনগদৌরে। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অনী- ইন্দিরা গান্ধী অমসুং রজিব গান্ধীবু খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা হাৎখ্রবা মতুংদা গান্ধী ফেমিলিগী মীওইশিং সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লাকখি। ইন্দিরা গান্ধীবু মশামক্কী বোদিগার্দনা হাৎখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৮৫দা এস পি জি লিংখৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং ঙাক শেলহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। কুমজা ১৯৯১দা রজিব গান্ধী হাৎখ্রবা মতুংদগীদি এস পি জি এক্ট এমেন্দ তৌদুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদসু ঙাক শেলহন্নবগী থৌরাং লৌখৎখি। হন্দক্তা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি মীটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা গান্ধী ফেমিলিদগী এস পি জি লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। হৌজিক্তি পর্সনেল ৩,০০০ লৈবা এস পি জিনা ঙাক-শেল্লিবসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মথনতা ঙায়রে।

কুমজা ১৯৮৮ দা পার্লিয়ামেন্টনা বিল অমা পাস তৌরবা মতুংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং ঙাক-শেলহন্নবগী পান্দমদা এস পি জি লিংখৎখিবনি। কুমজা ১৯৮১গী মমাঙদদি প্রাইম মিনিষ্টর ঙাক-শেনবগী থৌদাং দিল্লি পুলিসনা লৌরম্মী। কুমজা ১৯৮১গী ওক্টোবরদা ইন্টলিজেন্স ব্যুরোনা প্রাইম মিনিষ্টর ঙাক-শেলহন্নবগীদমক স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ) অমা লিংখৎখি। কুমজা ১৯৮৪দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীবু মশামক্কী বোদিগার্দনা হাৎখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ১৯৮৫দা বির্বল নাথ কম্মিটি শেমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিগৎহনখি। কুমজা ১৯৮৫গী মার্চতা কম্মিটিনা পীখৎলকপা রিপোর্ট মতুং ইন্না স্পেসল প্রোটেক্সন য়ুনিট (এস পি য়ু) লিংখৎনবা থৌরাং লৌখৎখি। কুমজা ১৯৮৫গী মার্চ ৩০ দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা কেবিনেট সেক্রেটরিয়েটকী মখাদা স্পেসল প্রোটেক্সন য়ুনিটকী পোষ্ট ৮১৯ ক্রিয়েট তৌখি। মতুং তারকপদা স্পেসল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস পি জি) হায়না মমিং ওন্থোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮৫গী এপ্রিল ৮দা মতমদুগী ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী জোইন্ট দিরেক্টর (ভি আই পি সিক্যুরিটি) এস সুব্রমনিয়মবু এস পি জিগী মকোক ওইহনখি। গান্ধী ফেমিলিদগী এস পি জি লৌথোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩০০০ লৈবা এস পি জিনা ঙাক্লিবসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ খক্তা ঙায়হৌরে। ময়েক্কীদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা মীওই অমনা ফম অসি থাদোকখ্রবা মতুং চহী ১০ ফাওবদি এস পি জিনা ঙাক শেনগদবনি। ইন্দিরা গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মশামক্কী বোদিগার্দনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অমসুং রজিব গান্ধীবু তামিল নাদুগী শ্রিপেরুম্বুদুরদা সুইসাইদ এটেক্করশিংনা হাৎখিবা মরম্না খ্বাইদগী রিস্ক ৱাংবা ইমুংশিংগী মনুংদা গান্ধী ফেমিলিসু অমনি হায়না লৌনরি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু চহী ১০ ফাওবদি এস পি জিদা ঙাক শেলহনগদবনি হায়বা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা এক্ট অমা থৌশাদবা মওংদা গান্ধী ফেমিলিদগী এস পি জি লৌথোকখিবগী থৌওং অসি পোলিটিকেলগী লমন খুম্বগী মওংদা চত্থরকপনি হায়না মরাল শীনরকপা য়াই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অপূনবগী থৌগলনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেল্লসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মীপূম খুদিংমক্না ইশাবু চাওখৎনবা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ৱাখল তানদুনা পূন্না ফিরেপ লৌদুনা অফ-ফত্ত তাথোক-তাশিন তৌবগী মতম ওইরে। মীপান তাংদনবা ইশানা ইশাবু থবক পীজদুনা খূৎশা হৈনবা হোৎনবগা লোয়ননা লাইরিক লাইশুসু হৈনবা কন্না হোৎনবা মথৌ তাই। নৎত্রবদি মীরমদগী লাকপা মীওইশিংনা ঐখোয়গী চাকথুংশিং হায়বদি শেল-থুমগী, লৈজরিবা পোত্থোকশিং অসিবু পূন্না চামিন্নরবদি কোন্নদবা তাবনি। মরম অসিনা নোংমা নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্তুনা চাবা ফংলক্তবা তাবনি। সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অদুনা চৎনখিবা তারবদি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা রমান্দি লাইনীংদা লুপখিদুনা হান্না লৈজরম্বা মৈতৈ/মীতৈগী চৎনরোল মাঙখিবগুম শোয়দনা মাঙখিবা তাবনি। অদুবু হৌজিক বঙ্গালি ময়েক চৎনরম্বা অদু মতমগী খোঙলৈনা পুরক্তুনা হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিং মৈতৈ/মীতৈ ময়েক নত্তনা বঙ্গালি পাবা থোকত্রিবা অসিনা তাকপদি ইশাগী ওইবা ময়েকপু য়োকখৎপগী অচৌবা থৌদাং ওইখ্রবনি। ঐখোয়গী ময়েক অমসুং লোন হৈরবশিং অসিগী মচা-মশুশিংগী মতমদদি মৈহৌরোলগী ওইবা শক্তম অদু শোয়দনা হঞ্জিললক্কনি হায়না খঞে। মতমগী অহোংবা অসি হৌজিক লৈরিবা অহল-লমনশিং অসিদদি অওনবা পুরকপদা খরা ৱানা থোক্লি। মথংগী মীরোলদদি তন্বীদ্রবসু অঙাং মচাশিংনা করিগুম্বা পোৎ অমা চাবদা চিন্দা মতোমতা মখূৎনা য়া লাওনা কাথোক্তুনা চাবগুম শোয়দনা লাক্লগদৌবনি, অসুম্না হায়নবসু লৈ খূৎ চুন্লবসু চুমদ্রবসু ফক্লাংদা লৈতুমনা থাবদি শোয়দনা পানগনি । হৌখিবা মতমদা নিংথৌগী চৈরাক অকনবনা ওনখিবা মতমদুগী লাইরিক লাইশু হৈবা, থিজিনবা ৱাৎপা, অয়েৎপা মীশিং য়ামদবা, হৈশিংবা ৱাৎপা মরম্না ইরায় লায়না ওইখিবসু য়াই হায়না পঞ্জনীংই। খুদম ওইনা পঞ্জরি, নুপীগী মপোক ওন্থোক্লা তোনখ্রে, মদুদি য়ুম্লাক শাগৈ ওন্দুনা ময়ুম পানখ্রে অদুবু করিগুম্বা অশোইবা অমখক ফংবদগী মচা-মশু লৈরবা নুপী অদু লায়না পকপা, ঙাও ফৈবগী লায়না অমা হেক তৌবদা করিসু তৌখিদবা লায়নাসু লৈখিদবা অদু তান্থোরক্তুনা মপামদা হল্লকপা অসিনি। মসি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা চৎনরিবা মওংননি। অসিগুম্বা ফরবসু ফৎত্রবসু নুপীশিং মশাগী য়ুম্লাক শাগৈদা হল্লক্তুনা শিবা ফাওবা লৈদুনা অৱাবা চৈথেং কয়া থেংনরি। অসিগুম্না নোংমদি শোয়দনা মাগী পোকফম শাৎফমদা হল্লকপগুম ঐখোয়গী চৎনরোলসু শোয়দনা হল্লক্কনি হায়বা ৱাফম তমজবদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না থমজরি। মরম অসিনা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না হোৎনফম থোক্ত্রিব্রা? অপূনবগী থৌগলনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেল্লসি হায়না পাউজেঞ্জরি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক, ইম্ফাল*

## লৌমীশিংগী কাখল

# আলুদা তাগনবা লায়নাশিং খঙদোক্তুনা চেকশিলহৌসি

ডো. এম থোইথোই সিংহ

অতোংবা মফম খরদদি আলু থানবা শেম শাবা হৌনরে। মফম অমত্তদা আলুগী পোত্থোক অনীরক লৌনবা হোৎনরিবা মীওইশিংগীদি থিন্থবা য়াদ্রে। আলু থারমদাই মতমসিদা আলুদা তাগনবা লায়না খরদি তঙাইফদনা খঙদোক্লগা ঙল্লিঙৈ মতমসিদা চেকশিনহৌবা চংই। আর্লি ব্লাইট অমসুং লেট ব্লাইট হায়বা লায়না অনীমক আলু অমসুং খামেন অশিনবা অনীমক্তা তাবা কোকফাইগী লায়না ঙাক্তনি। লায়না অনীমক তাবা মফমশিংদা আর্লি ব্লাইটনা লেট ব্লাইটতগী খরা হেন্না ঙন্না থোক্কল্লি। অদুমকপু অথেংবা মতমদা আর্লি ব্লাইট থোক্তে হায়বদি লৈতে। মণিপুরগী ওইনা য়েংবদা আলু অমসুং খামেন অশিনবগী খ্বাইদগী হেন্না নাগনবা লায়না আর্লি ব্লাসট অমসুং লেট ব্লাইট হায়রিবা লায়না মখল অনী অসিদগী তঙাইফদনা চেকশিনবা তাই।

**আর্লি ব্লাইট :** লায়না অসি আলু অমসুং খামেন অশিনবদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না মখল অমনি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা থোকফম থোকপা পোত্থোক্কী চাদা ৪০ ফাওবা হন্থহল্লি। লায়না অসি *আল্টরনারিয়া সোলানি* হায়না খঙনবা কোকফাই শুজা অমনা থোকহনবনি।

**লায়ওং :** আলু অমসুং খামেন অশিনবগী মনাশিংদা অকূপ্পা দাগশিং লৈবা উগনি মতুংদা দাগশিংদু তপ্পা তপ্পা চাওখৎলকই। দাগশিংদু য়েংবদা অপিকপা মুনা শংবান্নবা মচুগী কোকফাইশিং কাবা উগনি। লায়ওং অসি অরিবা মনাশিংদা তারম্বদগী মতোনলোম থংবা অনৌবা মনাশিংদা অসুম অসুম শন্দোরকই। নকশিন্না য়েংবদা চাউবা মান্নদবা তোঙান তোঙানবা লৈই কয়ানা কোয়শিনবা ওইনা উগনি। শম্না হায়রবদা টার্গেট বোর্ড মানগনি। মসিগী থৌওংসিখক্তনা আলু নৎত্রগা খামেন অশিনবদুসু আর্লি ব্লাইটনা নারে হায়না ইরায় লায়না লেপ্পা য়াই। দাগশিংগী মশীং য়াল্লবসু য়ামদ্রবসু মনাগী শরুক অয়াম্বা কুপশিল্লি। অসিগুম্বা দাগশিং অসিনা মনাগী মশিংশিং কোনশিনখ্রবদি মনাদুমক্কী মতোনলোম থংবা শরুক্তু নাপু শারকই। মসি কোকফাই শুজা অদুনা থাদোরকপা এল্টানরি এসিদ হায়বা এসিদ অমা মনাগী মশিংশিংদুনা পুদুনা শন্দোকখিবননি। নুংশা মরাং কায়না ফংবা, ঈশিং মনিলগী চাং হন্থবা মতমদদি দাগশিংদু লিংখৎতুনা অমসুং মনাদু অতোং-অকুৎ নাইগনি হায়বদি কোন্থোক-কোনশিন তৌনা লৈবা উগনি। খরা হেন্না শোকচিনবা মতমদদি অয়াম্বা মনা মখৈ কেনবা উগনি। মনাগী মখোক অমসুং মউশিংদা খরা হেন্না দাগশিং উগনি লোয়ননা লেকথদুনা লৈমায়দা তাবা থেংনগনি। মনানা তৌগদবা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদবদগী আলু চাউবগী চাং ৱাৎপনা পোত্থোক য়াম্না হন্থে।

**লায়না শন্দোকপগী মওং :** লায়না অসি মরূদা চেন্নরকখিবা ওইরবসু মখা তানা শন্দাকপদি নুংশিৎনা মতেং পাংই। লায়না অসি শন্দোকপা ঙম্বা কোকফাই মরূ অদু নুংশিৎনা কোইপু পুদুনা শন্দোকহল্লি। অদুগা লায়না অসিনা শোকহল্লগা অকংবা মনাদা কোকফাই মখল অসিনা চহী অমা নৎত্রগা অমদগী খরা হেন্না ফাওবা হিংনা লৈবা ঙম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা আলু নৎত্রগা খামেন অশিনবা থাখিবা লৌফম অমদা লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা মখল অসি লৈহৌই। মসিনা মথং চহীদা লায়না অসি শন্দোক্লবা মচাক ওইহল্লি। অদুগা অতোপ্পা য়াম্না লুরিবা ৱাফম অমনা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমসিনি। ঙসি ঙসিমক ওইরিবা ঈশিং নুংশিৎকী হায়বদি ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না ৱাংবা অমসুং য়াম্না ঈংবা ফীভম অসি লায়না অসিবু শন্দোকপদা খুদোং চাহল্লি। লায়না অসিদগী চেকশিনবীগদবনি।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোকপা :** ১) কোকফাই শুজা মখল অসি লৈবাক্তা হিংদুনা লৈবা ঙম্বনিনা অওন পোত্থা তৌবসু কান্নগনি। করিগুম্বা মমাঙ চহীদা লায়না অসিনা য়াম্না থীনা শোকহনখিবা মফমশিংদা অতোপ্পা পান্থীশিং থাবীবা ফৈ। ২) লায়না অসিনা শোকহল্লবা পাম্বীগী শরুকশিং খোমজিন্দুনা মৈ থাদোক্কনি। ৩) Mancozeb 75 WP নৎত্রগা Zineb 75 WP গ্রাম ২.৫ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীদুনা কাপথোকপীগনি। হায়বদি ঈশিং লিটর ১০দা হায়রিবা হীদাকসি গ্রাম ২৫ হাপ্পীদুনা লায়না অসি উবা হৌরকপা মতমদা কাপথোকপীবা য়াই।

**লেট ব্লাইট :** লায়না অসি আলুগী লায়নাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা লায়না অমনি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৮৪৫-৪৬তা চাবা ফংদবদগী (চাক তাঙবা থোকপা) আইরিস মিলিয়ন মরি ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা ময়ুম হোংনখিবগী ৱারী লৈ। মরমদি আলুনা লমদমদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা চিঞ্জাকনি। ইন্দিয়াদদি লায়না অসি টামিল নাদুগী নিলগীরি চীংদগী ইহান হান্না থেংনরকপনি। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসিগী মমিং *ফাইটোফথোরা ইনফেষ্টেন* হায়না খঙনৈ।

**লায়ওং :** মহৌশানা লায়না অসি দিসেম্বরগী অরোইবা মতমদগী উবা হৌরকই। মখা থাবা অরিবা মনাশিংগী মতোনলোম থংবা শরুক অমসুং মনাগী মপানশিংদা কোইতক তৌনা ঈশিং চোৎপা মান্না মচু শিথবা হৌরকই। অসিগুম্বা মফমশিং অসি তপ্পা তপ্পা মুশিল্লকই। মনা অদু মথক মখা ওন্থোক্তুনা য়েংবদা দাগতুগী অকোয়বা মফমশিংদু য়েংবদা অঙৌবা কোকফাইশিং উগনি। মনাগী মখোক অমসুং মউদা ওইরগনা কোরি মচু চঙলপ তৌবা অশংবা দাগশিং উবা ফংগনি। নুংশিত্তা ঈশিং মনিল য়াম্না ৱাংবা মতমদা লায়না অসি য়াম্না থুনা শন্দোকই। মশা ফনা লৈবা থংনবা পাম্বীশিংদসু পকশিল্লকই। নুংশা মরাং কায়না শাবা মতমদা লায়না অসি শন্দোক্ত্রবসু খামদেকপা মফমশিংদুদি মুশিল্লকই, কংশিল্লক্তুনা কুরু তাশিল্লকই। নোং থিৎলি থিৎলি তাবা অমসুং নুংশিত্তা ঈশিং মনিল মরাং কায়না য়াওবা অমুক থেংনরবদি লায়না অসি মখা তানা অমুক শন্দোকই। আলু থারিবা মফমশিংদু নুমিৎ নীনি হুমনিগী মনুংদা পুল্লপ মাঙহনখিবসু য়াই। আলুশিংদুদা লায়না অসি লৈখ্রবদি আলুশিংদু পীকশিল্লি। আলুগী মকুদা ৱাওথাংনবা মচু ওল্লকই। মফমদু কংলপ তৌনা পৎশিল্লক্কনি। খাইদোক্লগা য়েংবদসু হায়রিবা মওংসি থেংনগনি।

**লায়না শন্দোকপগী মওং :** লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসি আলুশিংদা চেন্নরক্তুনা আলুগী মনুংদা কুইনা লৈবা ঙম্মী। থারবা মতুংদা পাম্বীদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা লাক্লগা মতোন থংবা শরুক্তা য়ৌরকই অমসুং লায়না অসি ইরায় লায়না উৎপা হৌরকই। মপূং ফারক্লবা মতমদা কোকফাই শুজা অসিগী মরূশিং (স্পোরেঞ্জিয়া) নোং, নুংশিৎ অমসুং ঈশিং থাজিনবদা কোকফাই শুজা অসিগী শরুক কয়া তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোকখি। আলু চারাশিংনা লায়না অসি শন্দোকচরবসু খামেন অশিনবদি মরূনা লায়না অসি শন্দোকপা ঙমদে। হায়বদি খামেন অশিনবগী মরুদা লায়না অসি চেন্নরক্তে।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোকপা :** ১) লায়নাসিবু ঙাকথোকচবা ঙমজবা আলু মখল কুফ্রি মেগ, কুফ্রি পুখ্রাক অমসুং লায়না অসিনা তাগন্দবা কুফ্রি বাদসাহ, কুফ্রি জ্যোতি অমসুং কুফ্রি অশোকনচিংবা অফবা মখলগী আলুশিং থাবনা লায়না অসি তাবগী চাং হন্থহল্লি। তারবসু হীদাক কাপ্পগী মশীং হন্থে। ২) লায়না চেন্দ্রবা অফবা মখলগী সার্টিফাইদ সিদ থানবা হোৎনগনি। ৩) নুমিৎ ১৫ কান্ন-কান্ননা Mancozeb 75 WP নৎত্রগা Zineb 75 WP গ্রাম ২.৫ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীদুনা কাপথোকপীগনি। অসুম্না শেল্লবা হীদাক লিটর ৮০দগীনা ১০০ ফাওবা শঙম অমা পাক চাউনা থারিবা আলুশিংদা কাপ্পীগনি। ৪) লায়না অসিনা হেঞ্জিন্না শোকহল্লবা অদুগা লোক্কদবসু নুমিৎ ৫০গী মথক্তা ৱাৎলিবা ওইরগদি Metalaxyl অমসুং Mancozeb অনীমক য়াওবা হীদাক্তু গ্রাম ২.৫ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীদুনা কাপথোকপীগনি। Mancozeb কী তোঙান তোঙানবা ফোর্মুলেসনশিংগী মনুংদসু Mancozeb 75 WG হায়রিবা হীদাক অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ইফেক্টিব ওই হায়না রিপোর্ট তৌনরকখিবসু লৈখ্রে। অদুবু য়াম্না মরু ওইরিবদি পাম্বীশিংবু লায়না তীলনা তাদ্রিঙৈদগী হৌনা কুপশেন শেন্নদুনা চেকশিলহৌবনা খ্বাইদগী অফবা পান্থেনি হায়জনীংই। ●

# বাইও দাইভর্সিটি হোট স্পোট চাওথোকচনীংঙাই নত্তে, ইকায়নীংঙাইনি

এস সুমঙ্গল

মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা (পাম্বী, মীওইবা য়াওনা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাং, হিংকুপ) খুদিংমকপু পূন্না বাইও দাইভর্সিটি হায়না খঙনৈ। হায়রিবা অপূনবা মশীংসিগী খরা খরা লমদম খুদিংমক্তা মাগী মাগী হৈনজবা, চানজবা মফমশিংদা চাইথোক্তুনা হিংলিবনি। মফম অমদা হিংবা থৱায় পানবা অমা অতোপ্পা মফম অমদা লৈরমদবা য়াই। খুদম ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা কঙ্গারু মণিপুরদা লৈতে। মণিপুরগী সঙাই মালেমগী অতৈ মফমদা লৈতে।




মালেমদা লৈরিবা লমদম লমদমগী/লৈবাক লৈবাক্কী ওইরিবা চীং-তম, পাৎ-তুরেল, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমগী মতুংইন্না লমদম লমদমদুদা হিংলিবা থৱায় পানবশিংগী মখল অমদি মখলগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক খেন্নে। লৈফমগী খেন্নবা মশীং য়াম্বগী মতিক থৱায় পানবশিংগী মখলগী মশীংসু খেন্নে। মরম অদুননি খেন্নরবা মণিপুর অমদি অতৈ মফমশিংগী ফীভম্না অতৈ অতোপ্পা লমদমশিংদগী কা হেন্না থৱায় পানবশিংগী মশীং হেল্লিবসি। মসিবুনি বাইও দাইভর্স ওই হায়নরিবসি। মখল য়াম্না ফংই, বাইও দাইভর্স ওই হায়বসিদি য়াম্না লাইবক ফৈ, চাওথোকচনীংঙাই ওই। অদুবু লাইবক থীবা অমনা য়াল্লবা থৱায় পানবশিং অসিদগী কয়া অমা মুৎখ্রে। অসুম্না মুৎখ্রবশিংগী মশীং অসিনা চাদা ৭০গী চাং য়ৌরবা মতমদা মফম অদুবু বাইও দাইভর্সিটি হোট স্পোট ওইরে হায়না লাউথোক্লরিবসি। মতাং অসিদনি ঙসিগী খূইসিদা চাওথোকচনীংঙাই নত্তে, ইকায়নীংঙাইনি হায়না থমজরিবসি। মরমদি ঐখোয়না খঙনা নৎত্রগা খঙদনা য়াল্লবা বাইও দাইভর্স ওইখ্রবা পূম্নমকশিংদুবু ঙাক শেনবা ঙম্নবা হোৎনহৌদবা, ঐখোয়গী হিংবদা চংদবা য়াদবা পোৎলমশিং ফংনবা হোৎনবনা হেন্না তঙাইফদবা ওইখিবনা মরম কয়া অসিনা ওইরম্বসু য়াই। হায়রিবা পূম্নমকশিং অসি মীওইবা ঐখোয়না পায়খৎপা থবক থৌরমশিংনা অয়াম্বনি। অসুম্না মালেমদা মফম ২৫ খক্তি বাইও দাইভর্সিটি হোট স্পোট ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা মণিপুর য়াওনা ইন্দো বর্ম্মাগী অমদি হিমালয়গী শরুকশিংসু য়াওখ্রবনি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি হিংমিন্নরিবা থৱায় পানবশিং খুদিংমক মাগী মাগী থৌদাং লৈ, অমগা অমগা মরী লৈনৈ, অমনা অমদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা তাংনৈ, মতেং পাংনৈ হায়বসিনি। লোয়ননা হিংলিবশিং অসিগা মাগী হিংবগী মতেং ওইরিবা অকোয়বগী থৱায় পান্দবশিং অসিগা য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসিনি। অদুনা খল কায়দনা পূম্নমক তুং কোয়না অমনা অমদা অকায়বা পীদনা হিংমিন্নবা হায়বদু ওইহন্নবগী পান্দমদা হৈশিংলবা মীওইবা ঐখোয়গী লৌশিং, কৎথোকপা, পুকচেল শেংবা, অচুম্বা খঙবা, তুংগী ওইরক্কদবা উবা, মদুবু থৌওইদবা তৌদনা হকচিন্না লৌদুনা পোরম য়াৎথোক্তুনা পুকচেল শেংনা ইশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা পায়খৎপা নত্তনা কান্নরবা কয়া অসি মখা তানা মাঙদনবগী পাম্বে লৈরোই। মাঙজবা ঙাক্তা ওইহৌগনি । তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু চৈহৌগনি।

বাইও দাইভর্সিটিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বগী কান্নবা অসি লৌশিং তামিন্ননবদা লায়নবা খঙজিনবা য়াবা অচম্বা খুদম খরা পিজগে - য়েংসি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী ওইনা চাথোক লৈবা ফৌনি হায়না থানরিবশিং খুদম ওইনা তম্ফা, সনা, অকুৎফৌ, ইরৈমা, আর সী এম - ৯, ১০, ১২, ১৩ হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখল ২৫ পুথোক্তুনা থানরিবশিং অসি হান্না ইপা ইপু হাক্তক্তগী লৈজরম্লবা মোইরাং ফৌ, ফৌরেন, লাংফৌ অসিনচিংবা হায়রিবা থায়নগী ফৌশিংগা মখোয়গা য়াম্না খেন্নবা মপানগী ফৌশিংগা চারৌ মৌরৌনরগা পোক্লকপা মচাশিংগী মরক্তগী খনগৎলবা শুরোল ঙাক্তনি। মখোয় অসি পুথোক্লমদ্রবদি ঐখোয় ঙসি চরা হেল্লম্বসু য়াই। মহৌশাদগী লৈরম্লবা ফৌশিং অসিদা কান্নরবা অতোপ্পা মগুন কয়া অমসু য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মখোয়বু ঙাকপী শেনবীদুনা মাঙদনবা হোৎনবা মথৌ তাই। কনানা তৌগনি?

অতোপ্পা খুদম অমা অমুক য়েংসি। মালেমগী ওইনা ভিটামিন এ ৱাৎপদগী মিৎকী লায়না নাদুনা অমদি অতোপ্পা লায়না কয়ানা মিৎ তাংবা অমদি শিবা কয়া অমা থোক্লি। মসি কোক্লবা বৈগ্যানিক অমনা হোৎনদুনা চুম্নগী ফৌদা মীওইবগী হকচাং মনুংদা ভিটামিন এ শুংনবা মচাক বিতা কেরোতিন হায়রিবা মচাক অসি পুথোকপা ঙম্বা জিন হাপচিন্দুনা গোলদন রাইস হায়বা সনা মচুগী চেঙ পীবা ঙম্বা ফৌ পুথোকখি। ফৌ অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ইরৱিনিয়া হায়রিবা বেক্টিরিয়া অমা অমসুং দেফোদিল হায়রিবা লৈ অনী অসিদগী জিন লৌথোক্লগা ফৌদা জিনেটিক ইনজিনিয়রিং তৌদুনা হাপচিল্লগা গোলদন রাইস হায়রিবা ফৌ মখল অসি পুথোকখিবনি। হায়রিবা বেক্টিরিয়া অমদি দেফোদিল লৈরমদ্রবদি মসি ওইথোক্লম্লোই। ফৌ মখল অসিনা চাকনা মরু ওইবা চিঞ্জাক ওইবা এসিয়াগী লায়রবা লমদমদা হিংজরিবা মীওই কয়াদা ভিটামিন এ ফংননবা পুথোকখিবনি।

মথক্তা থমজরিবা খুদম খরা অসিনা তাকপদি লৈরিবা থৱায় পানবশিং খুদিংমক অসিদা কান্নরবা মচাক কয়া অমা য়াওরি, মখোয়বু ঙাকপি শেনবীদুনা মাঙহন্দনা থম্বা মথৌ তাই। মসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়বদুনি।

মসি নত্তবা খুদম কয়া অমনি। মরম অসিনা লেংলি পাল্লিবা খুদিংমকপু ঙাক শেনবীদুনা মহৌশাগী খলসু কায়দনবা, মসি কায়বনা ওইরক্লিবা অঈং অশাগী মওংদা হোংলক্লিবা খুদিংমকসিদগী কন্ননবা ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা ইশা ইশাগী থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়জনীংই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।